# ট্রিপুরাদা কোভিদ-১৯ গী কেস মশিং খঙহেন হেনগৎলকখ্রে হৌখিবা পুং ২৪ দা অনৌবা কেস ৪৪৬ থেংনখি, ১ শিখি



অগরটালা, জুলাই ২৫ (এজেন্সি): লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিংদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ শন্দোকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবা ষ্টেট ষ্টেটশিংনা মরী লৈনবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎনরিঙৈ মরক অসিদা ট্রিপুরাদা লায়না লায়চৎ অসি শন্দোরকপগী চাং খঙহেন হেনগৎলকপগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ৪৪৬ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই অমা শিহনখি হায়রি।

ষ্টেট হেল্থ দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হিরম অসিগা মরী লৈননা মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি নৌনা থেংনখিবা কেস মশিং অসি থারগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা ষ্টেট অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মশিং ১,০৪,৭২৮ শুখ্রে। অদুগা অশিবা মশিংনা ৯২২ শুখ্রে। হৌখিবা নুমিত্তা থেংনখিবা কেস মশিংদগী ঙসি থেংনখিবা কেস মশিংনা ২৩০ হেল্লি। খঙহৌদনা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি মীয়াম্না তরায়না লৌরোইদবনি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪ দা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎতগী পুন্না মীওই ২৯৩ মপুঙ ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লায়না লায়চৎ অসিদগী পুন্না মীওই ১,০১,৩৫৭ মপুঙ ফানা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে। ষ্টেট অসিদা হৌজিক হৌজিক কোভিদ-১৯ গী এক্টিব কেস মশিং ২,৩৮০ লৈরি। ঙসিগী ওইনা কোভিদ-১৯ পোজিটিভিটি রেট চাদা ১২.১৪ ওইখি। পুন্না সেম্পল ৩,৬৭৩ টেষ্ট তৌবগী মনুংদা ৪৪৬ পোজিটিব ওইরম্বা থেংনরকখিবনি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লায়না লায়চৎ অসিগা মরী লৈননা কা হেন্না অথিংবশিং থম্বগী ৱাফমদি লৈত্রি। অদুম ওইনমক মীয়াম্না হান্না কোভিদ-১৯ গা মরী লৈননা শেমখিবা চৎন-কাংলোনশিং অদু ঙাক্লা চৎনবা মরী লৈনবশিংনা মখা তানা অপিল তৌরক্লি।

# মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসি মীওইবগী ওইনদি খ্বাইদগী হেন্না লাইবক থিবনি




পসিঘাট, জুলাই ২৫ (এজেন্সি): মালেমগী মীয়াম্না খ্বাইদগী হেন্না চেকশিনগদবা অমদি মীয়ামদা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরক্লিবা অসি মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অসিনি। মসিদগী ঐখোয়না য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়না অরুনাচল প্রদেশকী মনুং চনবা সিয়াং দিষ্ট্রিক্টকী দি সী তায়ি তাগুনা ফোঙদোরক্লি।

পসিঘাটকী ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরি মনাক্তা পাঙথোকপা উমং য়োকখৎপগা মরী লৈনবা থৌরম অমদা অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা দি সী তাগুনা মথক্কী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, মহৌশাদা ঐখোয়না য়ৈখায় থিনগায়বা পীরিবমখে মহৌশানা তাইবং মীওইবা ঐখোয়দা অমুক হন্না য়ৈখায় থিনগায়বা কয়া পীরক্নি। মহৌশানা পীরকপা য়ৈখায় থিনগায়বগী থবক্তা চাওখৎলে হায়রিবা তাইবং মীওইবা ঐখোয়না করিসু তৌবা ঙম্লোই। মহৌশাগী খয়াৎতা ঐখোয়সু অদুম্মক তাখিগনি। মরম অদুনা ঐখোয়না মহৌশাগী ওইনা লৈজরম্লিবশিংদা মাঙহন তাকহনবা অমদি য়ৈখায় থিনগায়বগী থবক তৌরোইদবনি।

মহৌশাগী ওইবা খল কায়থরকপদগী ঐখোয় মীওইবনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নখ্রবসু মহৌশাগী হান্না লৈজরম্লিবা শক্তম মাঙহনবগী থবক্তি লেপ্ত্রি। মসি ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাওবা অশোয়বনি। অশোয়বা অসি ঙাকথোকচনবগী মতম হৌজিকসু লৈরি। মরম অদুনা ঐখোয়না হান্না তৌরুবা অরানবা থবকশিং অদুবু চুমথোক্নবা হোৎনবা ওইনা অমুক হন্না উমংশিং য়োকখৎনবা হোৎনগদবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু উমং য়োকখৎনবগী মতাংদা মশা মশাগী ওইবা ৱাখল্লোনশিং ফোঙদোক্লখি হায়রি।

# নোর্থ ইষ্টতা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী ভিক্টিম ২১ রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা কনবা ঙমখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ২৫ (এজেন্সি): নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র রেলৱেগী মখাদা লৈরিবা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা থা অসিগী ১৭ তগী ২২ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা রেলৱে ষ্টেসনশিংদগী হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংগী ভিক্টিম ২১ কনবা ঙমখ্রে হায়রি।

ওফিসল ওইবা রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌরগা জুন থা ফাওবদা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা চহী নৌরিবা অঙাংশিং য়াওনা পুন্না মীওই ১৮৯ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। ভিক্টিমশিং অসি অচেনবা ট্রেনশিং অমদি তোঙান তোঙানবা রেলৱেল ষ্টেসনশিংদগী রেস্ক্যু তৌবা ঙমখিবনি।

থা অসিগী ১৯ দা রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা দিমাপুর রেলৱে ষ্টেসন্দগী চহী নৌরিবা নুপামচা অনী রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। থা অসিগী ২২ দনা গুৱাহাটিগী কমক্ষ্য রেলৱেদা অরানবা মওংদা হ্যুমেন ট্রফিক্কিংগীদমক পুরম্বা নুপীমচা ৪ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরম্বা য়াবা মীওইশিং মশক খঙদোক্নবগীদমক রেলৱে ষ্টেসনশিংদা থবক তৌরিবা ওফিসল খুদিংমক্তা হান্নদগী হেন্না চেকশিন্না থবক তৌনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা আর পি এফকী পেট্রোলিংসু হান্নদগী কনখৎহনখ্রে। অমরোমদা হ্যুমেন ট্রাফিক্কিংদা চেন্নরম্বা য়াই চিংনবা মীওই মরি মশক খঙবা ঙমখিবগা লোয়ননা মখোয়শিং অদু ফানবগীদমক মরী লৈনবা দোক্যুমেন্ট অমদি মখোয় মরিগী অয়েকপা শক্তমশিং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সতা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি।

# মফম খঙদনা মাঙখিবা শিন্মী অনী অমসু রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে

গুৱাহাটি, জুলাই ২৫ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগী তাইনবা ঙমখৈ শরুক্তা লম্বী শেম্বগী থবক য়াওবা শিন্মী ১৯ মফম খঙদনা মাঙখ্রবা মতুং ঙরাং ফাওবদা পুন্না অশিবা হকচাং অমা য়াওনা মীওই ৮ রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রবা মতুং ঙসি ২ অমগা রেস্ক্যু তৌবা ঙমখ্রে হায়না কুরুং কুমেগী দি সী বেঙিয়ানা ফোঙদোরক্লি।

শিন্মীশিং অসি থা অসিগী ৫ দা থবক শুফমদগী তুমিন্না চেনখিবনি। মখোয়শিং অদু থবক শুফমদগী চেনখ্রবা মতুং মফম খঙদনা মাঙখিবনি। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা ঙসি কনবা ঙমখ্রবা শিন্মী অনী অদুগী হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লম্মে। মখোয় অনীগী মমিং খোলেবুদিন শৈখ (২৭) অমসুং শামিদুল শৈখ (১৯) কৌই। মখোয় অসামগী নাগাউন দিষ্ট্রিক্টগীনি। লেমহৌরিবা মীওইশিংসু থিবগী থবক অকনবা মওংদা চথরি হায়না মখা তানা ফোঙদোরকখ্রে হায়রি।

# ট্রিপুরা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট ইলেক্সন মমাংদা হাপ্লবা য়াই

অগরটালা, জুলাই ২৫ (এজেন্সি): ট্রিপুরাদা হৌখিবা থা খরা অসিদা রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পিগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবা মতুং ট্রিপুরা বি জে পিগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা অথুবা মতমদা হাপ্লবা য়ানা লৈ হায়না পার্টি মনুংদগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি।

পাউ অসিগী মতুংইন্না হয়েং বি জে পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি বি এল সন্তোস ষ্টেট অসিদা ভিজিট তৌরবা য়ানা লৈরি। মহাক মফম অসিদা অহিং অমা লৈগনি। অমদি ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং দিপ্যুটি চীফ মিনিষ্টরগা উনগনি। ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সন নকশিল্লকপগা লোয়ননা বি জে পি ট্রিপুরাগী অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা হাপ্লবা য়ানা লৈ। করিগুম্বা মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমা খল্লমদ্রবসু অথুবা মতমদা অনৌবা প্রসিদেন্ট অমদি শোয়দনা হাপ্লরগনি হায়না বি জে পি মনুংদগী ফংবা পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

# মেঘালয়া বি জে পিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মারাককী মতাংদা থিজিন্নবা কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে

শিল্লোং, জুলাই ২৫ (এজেন্সি): মেঘালয়াগী ৱেষ্ট গারো হিল্স দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা তুরাদা লৈবা ষ্টেট অসিগী বি জে পি ভাইস প্রসিদেন্ট বর্নাদ মারাককী ফার্ম হাউসতা পুলিসনা রেইদ চথখিবদা ইল্লিগেল ওইবা থবক থৌওং কয়া চথরমখি হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী চার্জ তৌরকখ্রবা মতুং হিরম অসিগী মতাংদা ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমনা থিজিনহন্নবা মেঘালয়া কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।



মেঘালয়া কোংগ্রেসকী লুচিংবা রোনি লিংদোনা হিরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসি করপসননা লাকশিনখ্রবা লৈঙাক অমনি। রুলিং পার্টিগী এলাইন্স ওইরিবা বি জে পিগী মকোক থোংবা মীওই অমনা অসিগুম্বা তাবদা নুংঙাইতবা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরম্বা হায়বসি লাইবক থিবনি। হায়রিবা অসিদি য়াম্না পীকখ্রবা থৌদোক অমনি হায়না লৌবা য়াই। মসি নত্তবা অরানবা থবক কয়া ষ্টেট অসিগী রুলিং পার্টিদা লৈরিবশিংনা তৌরম্বা য়ারি।

ষ্টেট অসিগী হোম মিনিষ্টর অমদি পুলিস দিপার্টমেন্টনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরম অসি থাগৎনিঙাই ওই অদুবু ফার্ম হাউস অদু মারাককীনি হায়বা খঙদবদগী রেইদ অদু চথখিব্রা হায়বসিসু মায়কৈ কয়াদগী হংনরক্লিবা ৱাহংনি। মরম অদুনা থৌদোক অসি ইন্দিপেন্দেন্ট বোদি অমদা থিগৎহন্দুনা অথুবা মতমদা চপ চাবা ৱারোইশিন অমা মীয়াম মমাংদা লৈঙাক্লা পুথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়না তকশিনখি।

অমরোমদা মেঘালয়া বি জে পিগী প্রসিদেন্ট আরনেষ্ট মাওরিনা পার্টি অসিবু কনখৎনবা হোৎনরদুনা ফোঙদোকখিবদা ভাইস প্রসিদেন্ট মারাককী মথক্তা মরাল কয়া শিরক্লিবা অসি য়ুম্ফম য়াওদে। মসিদি পোলিটিকেলগী ওইবা খুদোংচাবা লৌনবা হোৎনরকপনি। মরম অদুনা মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরক্লিবা মরাল খুদিংমক লৈঙাক্লা লৌথোক্কদবনি হায়না কন্না তকশিল্লক্লি হায়রি।



এস পি জিরিবাম কে এস ঐচ রভিকুমারগী মীৎয়েং মখাদা জিরিবাম সী দি ও য়ুনিটনা চথখিবা থি হুম্বগী থবক্তা য়ু শুংবদা শিজিন্নবা হামৈ য়াওনা য়াম্লবা পোৎলমশিং ফাগৎখিবা

# CROSSWORD-3596



## ACROSS

1 Young bears (4)
3 Container for melting metal (8)
9 Mundane (7)
10 Merriment (5)
11 Symbol (5)
12 Nearer (6)
14 Lasso (6)
16 One feeding a furnace (6)
19 Home help from abroad (2,4)
21 Native of New Zealand (5)
24 Chess pieces (5)
25 State capital of Georgia (7)
26 Infatuated (8)
27 Border (4)

## DOWN

1 Upper-case letters (8)
2 Small stream (5)
4 Ornate architectural style (6)
5 Carved brooch (5)
6 In a violent frenzy (7)
7 Reflected sound (4)
8 Imaginary land created by C S Lewis (6)
13 Gardenia (anag) (8)
15 Disordantly loud (7)
17 Place of worship (6)
18 Lubricant (6)
20 Something of value (5)
22 Possessed (5)
23 Edible crustacean (4)

**Solution 3595**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | E | G | A | S | U | S | ■ | M | E | D | I | A |
| A | ■ | R | ■ | P | ■ | A | ■ | E | ■ | E | ■ | L |
| S | U | E | D | E | ■ | V | E | R | T | I | G | O |
| T | ■ | E | ■ | C | ■ | A | ■ | I | ■ | T | ■ | O |
| I | N | K | L | I | N | G | ■ | T | H | I | E | F |
| M | ■ | ■ | ■ | A | ■ | E | ■ | ■ | ■ | E | ■ | ■ |
| E | N | A | B | L | E | ■ | P | A | R | S | E | C |
| ■ | ■ | M | ■ | ■ | ■ | T | ■ | N | ■ | ■ | ■ | A |
| M | I | N | U | S | ■ | A | M | N | E | S | T | Y |
| E | ■ | E | ■ | W | ■ | H | ■ | O | ■ | M | ■ | E |
| R | O | S | S | I | N | I | ■ | Y | E | A | R | N |
| G | ■ | I | ■ | F | ■ | T | ■ | E | ■ | L | ■ | N |
| E | X | A | C | T | ■ | I | N | D | U | L | G | E |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

# HUEIYEN SUDOKU

## Hueiyen Sudoku-3997

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | 3 | | | 4 | | | 5 |
| | | | | | 6 | | | |
| 1 | 4 | | | | | | 7 | |
| | 5 | 2 | | | | 3 | | |
| 6 | | | 9 | | 5 | | | 8 |
| | | 1 | | | | 4 | 5 | |
| | 3 | | | | | | 4 | 6 |
| | | | 6 | | | | | |
| 5 | | | 8 | | | 7 | 2 | |

## Solution-3996

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 2 | 4 | 8 | 1 | 3 | 6 | 5 | 9 |
| 8 | 6 | 1 | 2 | 5 | 9 | 3 | 4 | 7 |
| 3 | 5 | 9 | 6 | 7 | 4 | 2 | 1 | 8 |
| 1 | 9 | 3 | 5 | 6 | 7 | 8 | 2 | 4 |
| 5 | 7 | 2 | 3 | 4 | 8 | 9 | 6 | 1 |
| 6 | 4 | 8 | 9 | 2 | 1 | 7 | 3 | 5 |
| 4 | 8 | 6 | 7 | 3 | 5 | 1 | 9 | 2 |
| 2 | 1 | 7 | 4 | 9 | 6 | 5 | 8 | 3 |
| 9 | 3 | 5 | 1 | 8 | 2 | 4 | 7 | 6 |

# EMPLOYMENT NEWS

## OIL INDIA RECRUITMENT 2022 FOR RETAINER DENTAL SURGEON

Oil India Retainer Dental Surgeon Recruitment 2022: Advertisement for the post of Retainer Dental Surgeon in Oil India. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 08 August 2022. Candidates can check the latest Oil India Recruitment 2022 Retainer Dental Surgeon Vacancy 2022 details and apply online at the www.oil-india.com/ recruitment 2022 page.
Oil India Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.oil-india.com/. Oil India selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Assam. More details of www.oil-india.com/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
Oil India
invites applications for recruitment of Retainer Dental Surgeon
Retainer Dental Surgeon
Job Location:
Limited Duliajan , Dibrugarh, 786602 Assam
Last Date: 08 August 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
Oil India Recruitment 2022 Retainer Dental Surgeon Job Vacancies Apply Online Application
Company Oil India
Job Role Retainer Dental Surgeon
Education Requirement
Experience 2 - 5 years
Salary 85000
Posted on 21 Jul, 2022
Walkin Date 08 Aug, 2022
Educational Qualification: • Bachelor of Dental Surgery (BDS) from a University recognized by
Government of India.
Experience: • Must have minimum 02 (Two) year experience after getting registered as a dental practitioner by Government of India and completion of 01 (One) compulsory internship.
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 85000
Age Limit: Minimum age: 18 years Upper age limit: 50 years as on date of registration for Walk-in Interview.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Retainer Dental Surgeon in Oil India.
How to Apply:
08/08/2022 is the Walkin date for Oil India Recruitment 2022. Candidates must reach the venue on time and also carry the required things for the interview. The details about the walkin process will be stated in the official notification. Get the notification PDF from the link provided below.
Important Dates:
Published on: 22 July 2022
Last date for application is: 08 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

## NIPER GUWAHATI RECRUITMENT 2022 FOR INCUBATION MANAGER

NIPER Guwahati Incubation Manager Recruitment 2022: Advertisement for the post of Incubation Manager in NIPER Guwahati. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 08 August 2022. Candidates can check the latest NIPER Guwahati Recruitment 2022 Incubation Manager Vacancy 2022 details and apply online at the www.niperguwahati.ac.in recruitment 2022 page.
NIPER Guwahati Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ www.niperguwahati.ac.in. NIPER Guwahati selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Kamrup. More details of www.niperguwahati.ac.in recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
National Institute of Pharmaceutical Education and Research Guwahati (NIPER Guwahati)
invites applications for recruitment of Incubation Manager
Incubation Manager
Job Location:
Sila Katamur , Kamrup, 781101 Assam
Last Date: 08 August 2022
Employment Type: Full Time
NIPER Guwahati Recruitment 2022 Incubation Manager Job Vacancies Apply Online Application
NIPER Guwahati Recruitment 2022 Incubation Manager Job Vacancies Apply Online Application Recruitment 2022 Details
Company NIPER Guwahati
Job Role Incubation Manager
Education Requirement
Total Vacancy 1 Posts
Job Locations Kamrup
Experience 5 - 10 years
Salary 75000 - 100000
Posted on 21 Jul, 2022
Last Date To Apply 08-08-2022
Educational Qualification: Ph.D. in Life Sciences/ Natural Products or allied areas from a reputed institute with a minimum of 5 years of experience in entrepreneurship development, business development/ alliance integration/ strategy planning in a reputed organization. Working experience related to healthcare and bio-innovation startups.
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 75000 - 100000
Age Limit: As per company rule.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Incubation Manager in NIPER Guwahati.
How to Apply:
Candidates must apply for NIPER Guwahati Recruitment 2022 before the last date announced. Candidates, who apply for the NIPER Guwahati Recruitment 2022, can follow the procedure given to apply.
Step 1: Visit the official website of NIPER Guwahati niperguwahati.ac.in
Step 2: Search the notification for NIPER Guwahati Recruitment 2022
Step 3: Clearly read all the details given on the notification
Step 4: Check the mode of application as per the official notification and proceed further
Important Dates:
Published on: 22 July 2022
Last date for application is: 08 August 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification



ৱারী মমিং : য়াইতম্বা

ইবা অমসুং য়েকপা : সমসন সলাম




